ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯰꯸, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, নবেম্বর ০৮, ২০১৮, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ২২৬শুবা মশীং

# শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওং

## *দিমোনেটাইজেসনন শেন্মীৎলোনদা পীরিবা চৈথেং*

**ভারতিয়া** জনতা পার্টি (বি জে পি) না লুচিংবা নেসনল দেম্মোক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ) লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখিবদু ঙসিদি চহী অনী মপূং ফারে। য়াম্না থাজদবা মওংদা ইখঙ খঙহৌদনা লৌখৎলকখিবা দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাংনা মীপূম খূদিংমক ইঙক-ঙকহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেন মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি হায়না লৌনরি। মতমদুদা মীয়াম্না শেল খরখক লৌথোক্ল বগীদমক বেঙ্ক অমদি এ টি এমশিংগী মমাংদা মতম শাংনা ক্যু লেপ্পা তাখি। রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না থাদোরকখিবা চহীগী রিপোর্টতা লুপা ক্রোর লাখ ১৫.৪১গী লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী মনুংদা লুপা ক্রোর লাখ ১০,৭২০ দি বেঙ্ক নৎত্রগা আর বি আইদা অমুক হন্না হল্লকখিদ্রে। লৈঙাক্লদি চৎনখিদ্রবা শেনয়েক লুপা ক্রোর লাখ ৩ লোম বেঙ্কিং সিষ্টমদা হল্লক্লগা ব্লেক মনি পূম্নমক ফাগৎপা ঙমগনি হায়না থাজবা থমখিবনি। কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাং লাউথোকখিবা মতমদা শেঞ্জা-থুমজা থিংবগা লোয়ননা ব্লেক মনি পূম্নমক ফাগৎকনি অমসুং টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং মপূং ফানা থিংবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। এন দি এ লৈঙাক্কী পান্দম অদু চপ চানা ফংবা ঙম্লবরা হায়বদুদি য়েৎননিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা থবক তৌরম্বা মীওই কয়া থবক তৎহনখি, ইন্দষ্ট্রি কয়া থোঙ লোলহনখি অমসুং লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) হন্থহনখি। দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাং লাউথোরকখিবা মতমদা আর বি আই অমসুং শেনয়েক নম্বা প্রিন্টিং প্রেসশিং মাংজৌননা শেম শাখিবগী খূদম ফংদে। মদুনা মরম ওইরগা অতেনবা মতমগী মনুংদা অনৌবা শেনয়েক মরাং কায়না নম্নবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নখি। চহী অনীরোম চঙনা অনৌবা শেনয়েক মরাং কায়না পুথোক্নবা হোৎনবদা আর বি আইনা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ রোম চাদিং তৌবা তাখি। আর বি আইগী রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ২০১৬-১৭ তা অনৌবা শেনয়েক নম্বদা আর বি আইনা লুপা ক্রোর ৭,৯৬৫ চাদিং তৌখি। কুমজা ২০১৭-১৮ দনা লুপা ক্রোর ৪,৯১২ চাদিং তৌখি। দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা অনৌবা শেনয়েক নম্বখক্তদা আর বি আইনা য়াম্লবা শেনফম চাদিং তৌবগী ফীভমদা লাকখি।

দিমোনেটাইজেসন তৌদ্রিঙৈ কুমজা ২০১৫-১৬ তদি চহীদা লুপা ক্রোর ৩,৪২১ শেনয়েক নম্বদা চাদিং তৌরম্বনি। আর বি আইনা শেল নম্বদা চাং ৱাংনা চাদিং তৌখিবদগী শেন্দোং হন্থরকপনা গভর্ণমেন্টতা পীরকপা দিভিদেন্টতা চাওনা মমি তারকখি। আর বি আইগী রিপোর্ট অমনা হায়, দিমোনেটাইজেসন মমাংদা কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৪ দা লুপা ক্রোর লাখ ১৭.৯৭ কী শেনয়েক মার্কেটতা সর্ক্যুলেট তৌদুনা লৈখি। দিমোনেটাইজেসন মতুংদা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ফাওবদা সর্ক্যুলেট তৌখিবা শেনফমনা লুপা ক্রোর লাখ ১৮.০৩ নি। দিমোনেটাইজেসন মমাংদগী মতুংদনা শেনয়েক শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলক্লে হায়বা আর বি আইগী রিপোর্ট অসিদগীময়েক শেংনা খঙবা য়ারে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ইকনমিক এফেয়ার্স সেক্রেটরি সুভাশ চন্দ্র গার্গনদি দিমোনেটাইজেসনগী পান্দম ফংবা ঙম্লে হায়না ক্লেম তৌরি। অদুবু আর বি আইগী রিপোর্টনদি দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী জালি নোৎ ফাগৎপা ঙম্বগী চাং মথংশিংনা চাদা ৫৯.৭ অমসুং চাদা ৫৯.৬ হন্থরক্লে হায়রি। লুপা ক্রোর লাখ ৩ লোমগী ব্লেক মনিসু বেঙ্কিং সিষ্টমদা হল্লকহনবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা শেল পায়শিল্লম্বা মীওই লাখ ১৮ গী মথক্তা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলে হায়জবা তারগসু নারোলদা লোৎশিল্লম্বা ব্লেক মনি পূম্নমক ফাগৎপা ঙম্বগী খূদমদি উবা ফংদ্রি। ওন্ন-তৈনবা মওংদা শেনয়েক ফংনদবগী অৱাবনা মরম ওইরগা দিমোনেটাইজেসন মতুংদা মীওই ১০৫ রোম শিখিবগী পাউ তানরি। সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ন ইকনমি (সী এম আই ঈ)গী রিপোর্ট অমনা হায়, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা মীওই লাখ ১৫ রোম থবক তোকহনখি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোংগ্রেসনা ঙসি লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা 'ব্লেক দে' গী থৌরম পাঙথোক্লি। কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিদাংগী পুং ৮.১৫ তাবদা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না টেলিভিজনগী খূথাংদা লাউথোকখিবদু মুঘল এম্পরর মহমদ বিন টুঘলক্না নীংঙক-নীংঙকপা থৌরাং লৌখৎলুবদগী লৈবাক মাঙ-তাক্লবা মরম ওইরকখিবদুগুম্বনি হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীরি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু দিমোনেটাইজেসননা কয়া য়াম্না কান্নবা পুরকখিবগে নৎত্রগনা মাঙ-তাকহনখিবগে হায়বদুদি নৌনা অমুক নৈনরুদ্রগসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### য়াইফ পাউজেল

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**৩৩ এ দি**দা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবনা পাল্লিঙৈ মতমদা ইবেন্ধৌ লাইস্নানা মবুং পোইরৈতোনবু চাক কৌরম্বদগী কুমজা ১৮৫০-১৮৮৬ ফাওবদা পানখিবা ইনিংথৌ মৈদিংঙু চন্দ্রকৃটি মতমদগী মবুংনা মচনবু চাক কৌবা হৌদোকখি হায়নৈ। নিংঙোলশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপীদুনা পাঙথোকপা মীতৈ খুন্নাইগী ফজখ্রবা থৌরমনি 'নিংঙোল চাক্কৌবা' মালেমদা। কুমসি কুমজা অসিগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎ য়ৌরকপগা ইরোয়ননা কংলৈ নিংঙোল খুদিংদা, পিবা ওইবা পূম্নমক্তসু য়াইফ পাউজেল পীজরি। য়ূমথোঙ খুদিং শিংনা শাগৈ ওনখ্রবী মচে-মচনশিংবু মবুং মৌপ্বা, মমা-মপা ওইবশিংনা লৈবা লৈতবা থিদনা চাক কৌবীয়ু। মচে-মচল ওইবীশিংনসু হরাউ-হরাউ মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপাগী য়ূমদা কুম অমগী চাক কৌবনি খন্দুনা চৎপীয়ু। মবুং-মৌপ্বা অমসুং মচে-মচনশিংগী নুংশি মরী নিংঙোল চাক্কৌবনা তৎহনগুমসি। ঙমজবা অহাউ অথুম, হৈ-রা খরা পুদুনা মবুং-মৌপ্বা, মমা-মপাগী য়ূমদা লাকচবা, ঙমজবা ইয়োংগী ফি মচা অমত্তং ওইরবসু মচে মচলশিংদা নুংশিনা খুদোল তমজবা, হরাউ-হরাউ পীনা-লৌনদুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইমিন্নসি, পুন্সি নুংশাংনা হিংমিন্নসি 'ইবুং-ইচল' পূকমেন-পাওমেন্নদুনা অশেংবা নুংশি মরী চেৎশিনহনবা নিংঙোল চাক্কৌবা ওইহল্লসিকো কুমসিদগী।

মমল য়াম্লবা অহাও-অথুম হৈ-রানা শাগল তেক্কে তৌবমখৈ য়ান্দুনা পুরক্লগা, অরং-অরাক্কী খুদোলপোৎশিংনা কোকথোংনদুনা পুদুনা হনখিবনা মবুং-মৌপ্বা অমসুং মচে-মচলশিংগী নুংশি মরী চেৎশিনহনবা ঙম্লোই, থম্মোনুংগী ওইবা নুংশি মরী মশক খঙনদনা। কৌনা থক্কী মথক্তা ফম্মিন্নদুনা নুংঙাই-নুংঙাইবা ৱারী শামিন্নদুনা, ৱা-ৱা নোকমিন্না, হাউবা হাউতবা থিদনা পুক থন্না চামিন্নবা লোইরগা ঙমজবা খুদোল তমজবা, হরাউ মথোই কামিন্নবা, অমকপা লৈনদবা থম্মোয়গী নুংশিনবা ওইহল্লসি নুমিৎসিদগী। নিংঙোল চাক্কৌবনা কনাগী য়ূমদদি মীৎলু পিরাং তাহনবদি থোকহনগুমসি। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা চীং-তম অনীগী ফুরুপ খুদিংগী য়ূমথোঙ খুদিংনা ময়ূম পানখ্রবী মচা নিংঙোলশিংবু চাক কৌবীদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা অমসুং অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নদুনা মালেমদা ঐখোয় মশক তাক্লসি। অরোইবদা কংলৈগী নিংঙোল ওইবী খুদিংদা কুমসিগী নিংঙোল চাক্কৌবা, অনা-অয়েক য়াওদনা য়াইফমিন্নরসি হায়না থম্মোয়গী অশেংবা পাউদম্না য়াইফ পাউজেল পীজরি।

*অদোমগী - খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর, কুম্বী*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১। কুমজা ১৮৯১গী মমাঙ, বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্দ্রিঙৈদা লমদমসিদা চৎনরম্বা শেল অসি শেল মখায় হায়বসিনি। শেল মখায় অনীনা শেল অমা শাই।
(ক) শেল মখায় কয়ানা শেল চাম্মা শাবগে?
(খ) শেল মখায় কয়ানা শেল লীশিং অমা শাবগে?

২। লান মমাঙগী কবি অনীনা 'লৈপাকলৈ' শৈরেং অমমম ইরম্মী। লৈ অসিবু 'চিন্নাইদবী মরুপ' হায়রম্বদু করম্বা কবিনো?

৩। "ঐগী মিং সোরোজিনি কৌবনি। অদুবু শাংমল্লি হায়দুনা মাদি সোরো সোরোদমক মকৌই।" পরেং অনীসি 'থম্মোই নিঙাই' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "ঐগী অয়াকপা অহৌবা খোল্লাউদা/কিন্থখিগনি নিংখায়খিগনি।" পরেং অনীসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চীংমুক লেমহন্নিংই/চীংজুম্মুক শেংহন্নিংঙি নুংশিবী।" ঈশৈ পরেং অনীসিনা শামুরাইলাৎপম নব শর্ম্মনা শকখিবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কলচর থওইদবা, মীয়ামগী য়েক্নবনি

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার

**চহী** খরা হৌখ্রে, নুমিত্তু চপ চানা নীংশিংদ্রে। মণিপুরগী শক্ন াইরবা শৈরেংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা হিংলিঙৈ, নোংমা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা, থংননা ফম্মিন্নদুনা য়েংমিন্নখি। মতম ঈশৈগী থৌরম'মক্তি নৎখিদে। লৌরেম্বম বেদবতি অমসুং মাগী তুংইনবা কাঙবুগী খূৎলঙ ঈশৈগী মতুংদা অতোপ্পা শৈশকপী অনীগী (মমিংদুদি কাউখ্রে উরবদি খঙগনি) খুন্নুং ঈশৈ অমা তায়। ঈশৈ অদু লোইদ্রিঙৈ ঐগ্যা জয়ন্তগী মচিন্দগী ৱাহৈ খরা থোক্লকখি ... 'করিনোনে মণিপুর কৌবা লমসিবো! ঈশৈ শৈশক মান্নদবা, অমমমতং লৌখত্তুনা য়েংবদা মপা লৈতে ফজবা, অসুক য়াম্বা শৈহেক্কী পুক্কে অমা থনল্লিবা! শৈহেকশিংসিগা লোয়নবা জগোয় খুথোক অমমমসু...!

মহাক্কী তেল্লবা ৱাহৈ পরেং অদুনা নীংশিংহল্লকখি লৌথোকপগী লোইবা নাইদ্রবা লমদমসিগী জগোয় ঈশৈগী পুক্কে। করম্নবু শেল্লল্লিবা! অমা য়েংলুই নীংথিজে, অমা তারুই শুমহৎলি। বেদবতিগী নুংহিক্লবা শৈহেক্তুদা 'এ আর রহমান' ঙাওখিবগী ৱারী - ঙসিদি মালেম শিনখ্রেদনা। ঐখোয় শ্বায়গী খুঙ্গং খুনয়াদা, মালং-ঈপোমদা তিন্দুনা মাঙখ্রগদবা শৈহেক-শৈদাদো ঙসিদি পাক্লবা সমুদ্র ঈপাক ৱাংমা লানখ্রেদনা। বেদবতিগী খূৎলঙ-ঈশৈ'না চীংলোন ৱাংমা লান', মালেমগী নাকোং য়ৌখ্রবসু ঈশৈসিবু শৈশক্লিবা কলাকারশিংগী তুংলমচত্তুদি হয়েং করি ওইরনি তম্বা ঙমদ্রি ঙসিসু।

জগোয়, ঈশৈ, য়েকপা, শাবা - কলাগী পোথোক হায়বসি মীওইবগী পুন্সি, পুন্সি-মহিঙ, অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী শক্তমদুগা অচেৎপা মরী লৈনৈ। অখঙ-অহৈ, থিজিন-হুমজিন তৌবশিংনা হায় ... 'মৈহৌরোন্দগী পিক্লবা ফুরুপ মশেলশিংগী মরক্তা লান তোয়না তৌনরকপা, খৎন-চৈন তৌরকপনা থাঙ-তা, শরীৎ-শরাক হৈরিবনি, শান্ন-খোৎনবা-মার্সিয়েল আর্টতা মীথোয় মীহেন ওইরিবনি... মীগী মশীং য়াল্লমদবা, শূবা-নোম্বা কল্লম্বনা চাবা-থকপা ৱাৎলমদে, লৌরোক পান্থা লোইরগা জগোয়-ঈশৈ তৌদুনা, হরাউ মথোয় কাদুনা মতম লেনবা চৎনরম্বদুনা ঈশৈ-নোংমাই, জগোয় শাথেক ময়ামগী চাউরবা পুক্কে অমা শেমগৎলম্মী'...।

অসুম্না, মীতৈ ফুরুপ অসিগী পুন্সিরোল, খুন্নাইলোন অমদি লাইনীংলোন শেমগৎলকপদা পর্ফোমিং আর্ট মখল কয়াগী চাউরবা থৌদাং য়াওরকই। ঈশৈ-নোংমাই-জগোয়নচিংবা মণিপুরগী পর্ফোমেন্স ত্রেদিসন অসিগী মৱৃদি মীতৈ খুন্নাই অসিনি। চাবা থকপা ৱাত্তনা, নুংঙাই য়াইফনা পাল্লিঙৈ মতমদুদা শেমখিবা লমদমসিগী পর্ফোর্মেন্স ত্রেদিসন, খুন্নাইসিনা হোংলকপগা মশক থোক্লা হোংলক্লে। কয়া অমা মূৎখ্রে। অতোপ্পা কয়া অমসু মূৎনীং-মূৎমাং তৌরক্লে। কনা লৈতে কনবীনবা। কলা! আর্ট হায়বসিবু করিনো? মীওইবগী খূৎশেম অমনি। পূক্নিং অমদি ৱাখলদুগী মমিনি। মতমগী য়াওল মতুং ইন্না হোংলক্লিবা মীওইবগী পূক্নিং অমদি ৱাখলগী ফৌরোই মতুং ইন্না কলাগী মশক হোংলকই। পূক্নিংদুনা লাকখিবা, মমিদুনা শামখিবা-কলাদুসু হিংলরোই। খোঙজেল য়াঙনা লেপ্তুনা চেন্থরিবা মতমগী ঈচেল অসিগী ঈরোন্নুংদা লূপখিবা মণিপুরগী তাঙলবা কলাগী খূৎশেম, খূৎ থেক্তুনা পাবদা অহিংবা কলা মশীং খরখক্তা ঙায়শিল্লক্লে। মোইরাং পর্ব্ব, মোইরাং শাই, খোংজোম পর্ব্ব, পেনা ফমশক, খূৎলঙ-ঈশৈ, খুন্নুং-ঈশৈ ... গৌড় লীলা, উদুখোল, নৌকা খেলা ... ৱারী লীবা, লাইরিক থিবা-হায়বা... অসিনচিংবা পূম্নমকসি ঙসি হিংলিবা কলা মখলনি হায়বা য়ারক্তুব'মক্তনি, মূৎশিল্লক্লবা কলানি। মূৎশিল্লক্লবা কলাগী মশক (আর্ট ফোর্ম) শিং - ইকুই কুইদনা মূৎখ্রগদবা ঙাক্তনি। থাজবীয়ু। মীৎমাঙসিদা উনা-উনা 'উন মপাক অমা' তুমখিবগুম মাঙখ্রগনি। মাঙখিদনবা, মূৎখিদনবা ৱাজরিবদি কনবা ঙম্বা মখোয়দু নত্তে, চরা হেল্লগা পামজবা কলাগী খূৎশেম অমা পুথোকপদা পেঞ্জরিবা মখোয়দুনি। তৌবা ঙম্বা মখোয়দুদি কলচরগী ৱা খন্নরকপদা 'জগোয়-ঈশৈগী ৱাদু তোকখো, কান্নদবা ৱারেমনি' হায়দুনা নাথৈরগা লম্বী-থোং শেম্বগী, থিকা-সপ্লাই তৌবা য়াবা থবক্কী ৱাদুখক্তদা মপূক্নিং চঙবনি। থাগৎলগা হরাউবা, চরা হেনবদা পেঞ্জবা কলাকারশিংগীদমক্তি 'লমদম অসি লৈ হায়দুনা মালেমসিদা ঐখোয়না চাউথোকচবা ঙম্লিবসি লমদমসিগী স্পোর্টস অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী মতেংননি' হায়দুনা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা লাউথোক্লম্বদুনা মরোইরে। দেট'স ওল! মদুনা লোইরে। মেদল ফংলকপা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা খরা লান্থোকপা, মীথোই মীহেন ওইরকপা কলাকারশিংদনা থাগৎ ৱাহৈ খরা পীবিবা - মদুনি অঙম অথৌশিংগী ৱাখলদা লৈরিবা 'স্পোর্টস অমদি কলচরেল পোলিসি'। অদু নৎলমদ্রবদি লৈঙাকপশিংনা চহীগী বজেট শেম্বদা 'শান্নবগীনা চাদা ০.৬৩, কলচরগীনা চাদা ০.৬২' খক্তং কাইথোক্লম্বা হৌনবরা? লমদমসিগী স্পোর্টস অমসুং কলচর চাওখৎহন্নবইদমক কাইথোক্লিবা শেনফমদু থোং অমা শাবগী শেনফমদুফাও য়ৌরম্লোই। কলাকারশিংনা নীংবা কায়না থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অদু তার' মতুংদা ওইরমগনি লমদমসিগী কলচর মিনিষ্টর'না কলচরেল ফঙ্কসন খরদা হায়রম্বা ৱা, প্রেসকী রিপোর্টরশিংনদি হেদলাইন ওইনা ইরকখিদবা, অইবা খরনা কোট তৌদুনা ইনরকখিবা, চীনবুং ওইনা ঙাঙনরকখিবা...'মথং চহীগী বজেটকী ৱা খন্নবা কেবিনেট মিটিং তৌরকপদা আর্ট এন্দ কলচরগী শেনফম হেনগৎহনসি য়াদ্রবদি দিপার্টমেন্ট অসি মূখৎনবা প্রোপোজেল অমা রিকম্মেন্দ তৌরম্লগনি' ... হায়নরকখিবদো।

ইংরাজি ৱাহৈ ওইনা শীজিন্নরিবা 'কলচর' হায়বা ৱাহৈসি তশেংবদি 'ফ্রেঞ্চ' ৱাহৈনি হায়, মখোয়নসু অমুক 'লেটিন' ৱাহৈ 'কলেৱি' হায়বদুদগী পূবনি। ৱাহন্থোক্তি - মালেম লৈমায়সিবু তৌথোক্লবা মনা-মশিং-উহৈ-ৱাহৈগী পান্থী অমা থাবদুনি। মালেম লৈমায় খোইদোক্লগা পান্থী থাবগুম পূক্নিংগী লৌবুক খোইদোক্লগা আইদিয়া অমা থারগা হৌরকপা, চাউরকপা, মসা মরেং ফন্দোরকপা, মদুনা মীওই কাঙলূপ অমগী শক্তাক্লফম ওইরকখিবা অদুনি - কলচর। ঐখোয়না কৌই 'নাৎ'। ইংলিস ফুরুপনা ফ্রেঞ্চ ফুরুপকী 'কলচর' বু লৌরগা মখোয়গী লোন ওইখিবগী মরম, ফ্রেঞ্চশিংনা 'কলচর' বু কয়ামুক লুনা তৌজবা হায়বা ফিদম অদু লৌরুরগা ওইরল্লি। মমাঙঙৈগী ৱা নত্তে, ঙসিসুনি - ফ্রান্সকী চহীগী বজেট খন্নবদা, পোলিটিসিয়ন খুদিংমক্না খ্বাইদই লুনা খন্নবসি মখোয়গী কলচরেল বজেটনি। ফনা চাউবা, ফনা শাথীবা ফাইনান্সল ক্রাইসিস মায়োক্নরবসু মখোয়না কৈদৌঙৈদা কলচরেল বজেট'তা কমপ্রোমাইজ তৌদে। মদুমক্ননি ফ্রান্সকী 'লিটরেচর অমসুং কলচর', মালেমদা খ্বাইদই মকোক থোংনা লৈরিবা।

অমরোমদা, মণিপুরী কলচর ইন্দিয়াদতা নত্তনা মালেমদা তোমথিন ওইরক্লিবদি ইন্দিয়াগী নৎত্রগা মণিপুরগী গভর্ণমেন্টকী থৌরাং থৌশিল অমত্তগী মতেংনা নত্তে। ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈ মমাঙগী নিংথৌশিংগী মতেংনা শেমগৎলম্বা পুন্সিরোল অমা ওইখ্রবা কলা অমদি নাৎকী খূৎশেম কয়াদু লায়রবা মীচম মীয়ামগী অপিকপা ফেমিলি বজেট'তুনা কন্দুনা থল্লকপগী মহয়নি।

নাৎ (কলচর) হায়বসিনা কোনশিল্লিবা জগোয়-ঈশৈ-কলাগী পোথোকশিংদুখক্তা নত্তে - লাইনীংলোন, চাকচা-য়ুথক, ফিশেৎ-ফিরোল, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, লুহোং-কৈহোং পূম্নমকসিনা ফুরুপ অমই শক্তাক্লফমনি। করম্না চৎলি, করম্না ফম্মি, য়ূমদা লাকপা মীথুংবু করম্না ওকই, থাজবনা করিনো, থাজদবনা করম্বনো... অসিনচিংবা উথোক্লিবদুবু কৌই কলচরেল প্রাক্টিস! কলচর থওইদবা হায়বসি ফুরুপ্তুবু থওইদবনি, মীয়ামগী য়েক্নবনি।

# মেরাগী খোঙচৎতা য়ু এফ ওগী থৌদাং

### - সোরোক নোরেন -

**ইমা** লৈবাক লমদম অসিবু মীরানচা কয়া কয়ানা থুগাইনবা হোৎনরকপশিংগী মায়োক্তা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপ্লি হায়বগী পান্দম হন্দকসু মেরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে। ওক্টোবরগী ৩১, ২০১৮ য়ুমশকৈশা নুমীৎতা য়ু সী এমনা শিন্দুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কাইদনবগীদমক ইন্দিয়া গভটর্ণমেন্টতা পীবা পাউজেল ওইনা মীওই লাখ কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎখিবা মেরাগী খোঙচৎনি। হায়রিবা খোঙচৎ অসিদা লমদম অসিগী মপুং ফারবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা য়ু এফ ওসু চাউনা শরুক য়াখি।

য়ু এফ ও (য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন) লমদমসিগী ওইবা ইশাগী ইনাৎপু তেক্ত-কায়দনা পরম চুম্না, থম্নবা হোৎনবদা অরুম্বা থৌদাং য়াদুনা লাক্লিবা অরিবা ওর্গনাইজেসন অমনি। অঙনবা মতম হায়বদি কুমজা ১৯৬৭ তা রেজিসত্রেসন ওফ সোসাইটিজ এক্টকী মখাদা 'সাইন্টিফিক দিফেন্স কলচরেল সোসাইটি' হায়দুনা মিং থোল্লগা রেজিসত্রেসন ফংলবা অরিবা ওর্গনাইজেসননি। রেজিসত্রেসন নম্বর ৮০৮, ওইদুনা অরিবা মতমদগী লিশাং শিৎনা চথুরক্লিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মশা মরেংশিং অসি ঙসিদি য়াম্না পাক চাউখ্রে। মণিপুরগী মপান্দা খুন্দাদুনা লৈখ্রবা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অহুম হালাকান্দি, হোজাই, কাছার অমদি ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগর ফাওবদা সটজালগী সেন্টর ৪/৫ গী মথক্তা লৈখ্রবা অদুগুম্বা ওর্গনাইজেসননি। ঙসিফাওবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী অপূনবা ব্রাঞ্চ অসি ২২৯ শুরে হায়রি। ওর্গনাইজেসন অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না অপূনবা য়ু এফ ওগী মেম্বর মশিং অসি হৌজিক লাখ অমগী মথক্তা লৈদুনা মৈতৈ ইনাৎকী ওইবা ওর্গনাইজেসনগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা ওর্গনাইজেসন হায়বদু ওইরি। ইহান হান্না ওর্গনাইজেসন অসি রেজিষ্ট্রেসন ফংবা মতমদা 'সাইন্টফিক দিফেন্স কলচরেল সোসাইটি' হায়না মিং থোনখ্রবসু কুমজা ২০০৩ দগীদি মীয়ামগী অপূনবা ৱারেপনা "য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন" হায়না মিং ওন্থোকপদা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা ঙসিদি ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসল ওইবা মিং অসি য়ু এফ ওনা ওইরি।

ওর্গনাইজেসনল অসিগী ওইবা মশাগী ভলুন্টিয়রশিংবু মহৌশাগী পারি পুরিগী কাঙলোনশিং খঙননবগীদমক ঙসিদি মপাঙ্গল কল্লবা সটজাল একাদমি হায়দুনা লিংখৎতুনা শিন্তাকপীবগী থবক কন্না চথুরিবা মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন শিন্তম শঙলেন কয়া অমসু শাফোংলি। কুমজা ১৯৩৪ গী মমাঙদদি হায়রিবা মৈতৈ হুইয়েন লাংলোন শিন্তম শঙলেনগী থবকশিং অসি অরোনবা ওইনা লৈরমদুনা মকা ফোংবা ঙম্লমদে। অদুবু কুমজা ১৯৩৪ দা পাঙথোকপা নিখিল হিন্দু মহা সভাগী এম দি য়ু মীফমদা লময়ানবা ইরোবত, চুড়াচান্দ মহারাজ অমদি অহল ইবুঙো আর কে সনাহল লুচিংবা অহুম অসিনা মীফম অসিদা পাস তৌদুনা হায়রিবা হুইয়েন লাংলোন অসিবু ফোংনা শান্নবগী অয়াবা পীখি। মদুগী মতুংদগীদি সার চুড়াচান্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মীনিট ৪৫ ওইবা ক্লাস অমা হাপচিনবগী অয়াবা পীদুনা ফোংনা শান্নবা হৌহনখি। সটজান অসিগী হৌদোকপীবা লুচিং পুরেল আর কে সনহান অসি কুমজা ১৯৫৬ তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মহারাজগী এপ্রুব কেন্দিদেট অমা ওইনসু শকখঙবীরল্লবা লুচিংবা অসিনা সটজাল অসিবু মপুং ফানবা লমদমসিদা হোৎনরম্বগী থৌনা ঙসিদি হৌরক্লিবা নহারোল কয়ানা তুংইল্লে। থকশি খাসিগী চৎনরোল অহল-লমন মশক খঙবা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎনবা হোৎনবদা অরুম্বা থৌদাং লৌরিবা সটজালগী ভলুন্টিয়ারশিং মপাঙ্গল মথৌনা তৌবা ঙম্বশিং খঙবীবা অমদি চঙলি। করিগীদমক সটজাল য়ু এফ ও লিংখৎতুনা হোৎনরিবনো হায়বা অশানবা মীৎয়েং অমগী অরুম্বা থৌনা দরকার ওইবদু ঐখোয় পুম্নমক্না খঙবা হায়বসে লমদমসিগী পুৱারীদা মরী লৈনহনবা দরকার ওই। ঙসি ফাওবদা য়ু এফ ওনা লমদমসিগী অপূনবগী শক্তম শাগৎপদা করি করম্বা ৱাখল্লোন অমদি পোরম য়াৎলবগে হৌজিকসু মনুং হঞ্জিন্না য়েংবা চঙলি।

উদুনা লাক্লি ঐখোয়না ঙসিফাওবা য়ু এফ ও খ্বাইদগী লিংজেল মান্নবা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা চাউনা মতেং পাংলি হায়বা। অদুবু য়ু এফ ও মশাগী ওইবা ৱাখল্লোন অদু খক নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা শিল্লম শিন্থা কয়াদসু মপুং ফানা পাংহনবা ঙম্বগী খুদোংচাবা ঐখোয় পুম্নমক্না লৌহৌনবা ৱাখল তান্নিবা চঙই। য়ু এফ ওগী থৌমী ভলুন্টিয়ারশিং ঐখোয়গী শেংলবা অচঙবা লাম্মী ঙাক্তনি। মীরানচানা পীক থল্লবা লমদম অসিদা অশেংবা ঈ ওইদুনা হিংল্লিবা অকনবা ওর্গনাইজেসন অমনি য়ু এফ ও। হৌজিক য়ু এফ ওগী সেন্ট্রেল কম্মিটিদা মেম্বর ৪০ না শাবা অচৌবা কম্মিটি অসিনা জেনরেল সেক্রেটরি ১৩ থমদুনা অচেৎপা ফিরেপ লৌনবা হোৎনরিবনি। হিরম খুদিংদা খন্ন-নৈনবগী তাঞ্জা লৌ লৌদুনা থাংলিবা খোঙথাং খুদিংমকসে ঐখোয়গী ইমা লৈবাক মৈত্রবাকসিগীনি। শান্তি অমদি নুংশিবা হায়বা ৱাহৈ অনীসিখক্তনা মালেমদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ খুদিংমকপু অমত্ত ওইবগী লীচিং পুরক্কনি থাজরিবা ওর্গনাইজেসন অসি শুপ্নগী য়ু এফ ও মশানা হোৎনজবা খক্তনা মালেমসিদা লেপ্পা ঙম্লিবনি। কনাগুম্বা অমত্তদগী তেংবাংনা য়ু এফ ওগী শক্তিদা মতেং পাংবা নৎত্রি। মসিমক্তদা কৎথোকপা হায়বা ৱাখল্লোন্না মাং থাদুনা চঙশিল্লক্লিবা অচেৎপা ফিরেপনি। হৌখিবা লৈঙাক্কী মতমদা এন এস সী এন (আই-এম) না ইম্ফাল জিরি লম্বীবু মতম কক্তনা থিংজিনখিবদগী লৈঙাক্লা ফনা কন্না হোৎনদুনসু মচি লেংবা হাংদোকহনবা ঙমখিদবা তাঞ্জাদা মথৌনা লৈনা চোংথোরকপা অকনবা শক্তিগী ফিরেপ লৈ হায়খিবা য়ু এফ ওগী ভলুন্টিয়ারশিংনি। মতমদুদা লৈঙাক্লা অয়াবা পীদুনা য়েংলমগদবনি য়ু এফ ওগী থৌনা। মমা লৈবাক্কীদমক য়ু এফ ওনা কদায় ফাওবা তৌবা ঙম্বা হায়বদো। ঙসিসু চোংথোরক্তুনা মেরাগী খোঙচৎতা অচৌবা খুৎপু মশিং ৫০০০ গী মথক্তা ভলুন্টিয়রশিং য়াওদুনা মেরাগী খোঙচৎ মপুং ফাহনখিবা অদুগুম্বা শক্তি লিংজেন মান্নবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা য়ু এফ ওনি। ঙসিসু লেপ্লি হায়রি য়ু এফ ওগী সেন্ট্রেল কম্মিটিনা ইমা লৈবাক্কীদমক। শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনবদা থৱায় ফাওবা থাগনি ইমা লৈবাক্কীদমক হায়রিবা ৱাখল্লোন ঐখোয় পুম্নমক্না উশিল্লুবা অমা চঙলি।

কুমজা ১৭০৯ দগী চহী ৪৮ চুপ্পা রমান্দি ধর্ম্মদা লাইনিং ওইদুনা ইশাগী ইনাৎ কাউথোকহল্লুরবা মৈতৈ ঐখোয়গী অশেংবা লাইনিংবু পরম চৎনবা হোৎনরকপদা লাইওইরবা মাইচৌশিংবু নীংশিংদুনা শেমগৎলিবা য়ু এফ ও ঙসিগী খুন্নাইসিগী অচৌবা ওর্গনাইজেসননি হায়বা তাই। মীহাৎ মীপুনগী ফৎতবা থৌদোক্কী পাওনিনখোন্না নুমীৎ খুদিংগী নিল্লিবা লমদমসিদা য়ু এফ ওগী মীওই অমত্তসু চেন্নদ্রি হায়না সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মরুওইবা মীশকশিংনা মখৌ পোংনা ঙাংলি। চুমসু চুল্লি ঙসিফাওবদি ঐখোয়না তাবা ফংদ্রি য়ু এফ ও অমত্তা চেন্নদ্রি ফত্তবা হিরম অমত্তদা। অদুবু মীওই অয়াম্বনদি হায়রি ফত্তবা থবক তৌদ্রবসু অফবা অৱাংবা ৱাখল্লোন শাগৎপদি উদ্রি হায়না। নিশা অমদি ওইরি থীংসু থীংলি লমদমসিদা নিশা অমনি হায়না। তঙাইফদবা য়ু এফ ও কাঙবুনা মরুওইবা চীন্দম্নরিবা গঞ্জা হায়রিবা পোৎশক অসি। অচুম চুমদগী মীৎয়েং অসিনা কদায় ফাওবা য়েংবা য়ারিবা হায়বদুসু খঙমিন্নবা দরকার ওইরি। অদুবু হায়রি য়ু এফ ও কাঙবুনা ৱাখল অসি কন্সেন্ট্রেট তৌনবা পান্দম অমবু ফংনবা হোৎনবদা লমফাংনবা ৱাখল খন্দনবা হোৎনবদা তঙাইফদবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নবনি হায়না। অমরোমদা ইরমদমসিগী নোংমাইজিং চীংগী মশাইগোন্দা ঙান্থোইরিবা চীংঙু পাঙ্গলবা নোংপোক নিংথৌগী মকাদা কৎচবা অদুগুম্বা নোংপোকলৈনি হায়নসু চেৎনা থাজরিবা ওইবনা অকায়বা নত্তে হায়বসে। অদুবু আইনগী মীৎয়েংদা থিংলিবা নিশা অসে অরানবনি হায়বমক ঙমদুনা আইনগী মায়োক্তা লেপ্পদি ঙমদ্রবসু থিংফম থোক্তে হায়রি। মরমদি চীংঙু ইবুঙো পাঙ্গলবগী খুৎশু অমদি মচিঞ্জাক ওইরিবা নোংপোকলৈনি হায়রি। মসিগী অশেংবা মশক খঙলবকান্দা মতোমতনা শাফোংলক্কনি হায়বগী থাজবনি য়ু এফ ওনা থল্লিবা। মহাদেবা হায়রিবা মীয়াম্না ইরাৎনরিবা লাই অসিগী হৌরকফম মালেমগী অতৈ মফম অমত্তদা লৈতে। চীংঙু পাঙ্গলবা নোংপোক নিংথৌ অসিমক্লা মহাদেবগী শায়োন্নি হায়রি। হিরম অসিদগী ঙসি ফাওবা য়ু এফ ওগী মশক নাইরবা ভলুন্টিয়র খুদিংমক্লদি নোংমাইজিং নুমীৎ খুদিংগী চরা হেন্দুনা চীংঙু পাঙ্গলবা নোংপোক নিংথৌবু চেৎনা থাজবা থমজরি। অমরোমদা করিগী শম অমদি কোই য়োক্তুনা তোপ তোপ্পা শক্লোন অমা উৎলিবনো হায়বগী মতাংদনা অসুম্না ফোঙদোক্লি। চীংঙু পাঙ্গলবা নোংপোক নিংথৌনা চৎলম্বা নীতিগী মতুংইন্ননি। অদুবু অতোপ্পা লাইনিং ওইরিবা পুম্নমক্কী থাজরিবা শক্তমশিং অদুসু লোইনমক মশম য়োক্তুনা লৈরম্বা থেংনরি। হিন্দু লাইনিংগী অবতার তৌরিবা শ্রীকৃষ্ণ মশক য়োক্তুনা মাগী ভক্তশিংদা উহল্লি। ঙসিফাওবা কৃষ্ণ লীলা রাস লীলা খুদিংমক্কী কৃষ্ণ শাবগী শক্লোন লৌবদা করিগী অহাপ্পা অমুবা শম্না লেংজুম য়ৈনা উহল্লিবা। মসিনা তাকপদি কৃষ্ণসু মশম শাংনা য়োক্তুনা থল্লি হায়বনি। মাবু নীংজবা ভক্তশিংনা ককথৎচবনি।

অমুকসু খৃষ্টিয়ান লাইনিং চৎপনসু মখোয়গী প্রভু যীশুগী অশেংবা মুর্ত্তিদা লেংপাক য়ৈনায়োকপা শক্তম উৎলি। যীশুবু নীংবা কাঙবুনা মশাগী ওইবা শম ককথৎলবসু যীশু মশাদি মশম য়োকপা অমা ওইনা উরি। মাগী মাগী লাইনিং ধর্ম্মদা খেন্ন-খেন্ননা চৎলবসু অশেংবা শক্তমশিং অদু ঙাকচবা হায়বসে ধর্ম্মদা লাইনিং ওইবা মখোয় মশাগী ওইবা মোতনি অসুম্না ফোঙদোক্লি। মানা মানা চৎনিংবা লাইনিংনা মরু ওইজরগা তৌফম থোকপা মথৌ অদুগী তুংইনবা ওইনা নোংপোক নিংথৌ চীংঙু পাঙ্গলবা মহাদেববু চেৎনা নীংজরুবনা নোংপোক নিংথৌগী নোংপোকলৈবু পাম্না শীজিন্নবনি। অমদি শম কোই য়োক্লিবসু মপু মাবু নীংজবগী খুদমনি হায়দুনা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপ লৈজৈ হায়রি। অদুবু মানা মানা পামজবা লাইনিং লাইশোন চৎপনা অকাইবা পীদ্রবদি অতোপ্পদা তর্ক তৌবীদনবসু ৱামাং য়াল্লি।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে ঐগী ইরমদমগী শেংলবা কংলাগী লাইফম খক্তা নত্তনা লৈরিবা ইপা ইপুগী শেংলবা খুভম ইপানাৎ ইপুনাৎকী চৎনরোলশিং পুম্নমকপু ঐখোয়না কন্দুনা থম্বা হায়বসে ঐখোয়গীদি ইথৌদাংনি। মীয়ানচানা পীক থল্লবা লমদম অমা ওইরক্কনি হায়বসে হৌখ্রবা ইবুধৌ মাইচৌ চীংঙু খোংনাং থাবগী ৱাফমদু নীংশিংবা তঙাইফদ্রবা খল্লে। "কংলাগী পাউতাক হিদেন খোংবান্দা লৈঙোই সেক্তা মথক্তা তরেৎ শেনবুঙ য়ৈনা ৱাংলেন পুংফাংফুনা লিক্লাই মরু হুনবদি তুবি মরুম থাবদি হৌদ্রে শেনবী মুকাকলৈ মরুম ওইনা হৌরে।"

য়াইফরে য়াইফরে মালেম মৈত্রবাক্লা য়াইফরে।